www.sanaleibak.in

সনালৈবাক
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 14,821
22 Carat/g : ₹ 13,965
1 Kg Silver : ₹ 2,50,000
10 Gram Silver : ₹ 2,350
WEATHER: Partly sunny
Temperature 30/23°C
Sunrise: 04:44 AM
Sunset : 05:57 PM
Petrol : ₹ 106.82
Diesel : ₹ 92.53
GAS TODAY Page 3
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 242 | IMPHAL, MONDAY, AUGUST 10, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | নিংথৌকাবা, ইঙেনগী ২৭ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

### চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেইন হৌদোকখ্রে

# কাংপোকপী চৎপদা মীপায়নিংঙাই ওইদ্রে কনানসু থিংনিংবা ফাওহৌদেঃ খেমচান্দ



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (এস এন এস)ঃ ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) ইম্ফাল সেন্ত্রেল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা হর ঘর তিরঙ্গগী থৌরম ঙসি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হৌদোকখ্রে।

কাংপোকপীদা চৎলুবদা মফম অদুগী মীয়াম্না মহাকপু তরান্না ওক্লকই, হায়ৱেশিংদা মৈতে নত্রগা নাগা চৎপদা থিংবগী মমি উরক্তে হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি ইম্ফাল সেন্ত্রেল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং শীংজমৈ মন্দল বি জে পিনা য়ুম্বু ওইনা শীংজমৈ চীংঙা মখাদা লৈবা মোদেল ক্লবকী ইবুধৌ লুৱাং পোকপা লম্পাক্তগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা লমথাখিবা হর ঘর তিরঙ্গগী থৌরম য়াইস্কুল পুলিস লেন্দা ফাওবা চৎলগা য়ুম্নাম লৈকাই য়ুমজাও লাইরেম্বীদা পন্থুংফম ওইখি। মফম অদুদা পাঙথোকপা মীয়াম তিনবা মীফমদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা হায়,

...মখা লমায় ৫দা...

# ‘কুকি তাবা মফমশিংদা চঙবগী রাইট লৈতে মে ৩দা কুকি ১দি মৈতে তোখায়নখ্রবনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (এস এন এস)ঃ চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা কুকি তাবা মফমশিংদা চঙবগী মোরেল অমদি কন্সটিট্যুসনেল রাইট লৈতে। ২০২৩গী মে ৩দা কুকি অমদি মৈতে তোখায়নখ্রবনি হায়না কুকি হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিল (কে ঐচ আর সি) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কে ঐচ আর সিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙরাং চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা কাংপোকপীদা লাকখিবা অমদি কুকিগী এম এল এ নেমচা কিপগেন অমদি হাওখোলেট কিপগেননা তরান্না ওকখিবগী থৌওং অদুসু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। সি এম খেমচান্দনা কাংপোকপীদা লাকখিবা অদু ইকায় খঙদবা অমদি কুকি কম্যুনিটিশিংদা লান্না উহন্নবা চথরকপা দিবিসিভ টেক্টিককী থৌওং অমনি। মরম অদুনা কুকি কম্যুনিটি পুন্নমক্না ঙরাংগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদে। চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা নীংশিংগদবদি কুকি অমদি মৈতে ফুরুপ অনীগী মরক্তা হৌখিবা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌনা তোখায় তোখায়

...মখা লমায় ৫দা...

## কোংগ্রেস নত্তনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা মণিপুর কনবা ওইথোক্লোইঃ ও ইবোবি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (এস এন এস)ঃ কোংগ্রেস নত্তনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা মণিপুর কনবা ওইথোক্লোই। লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা থল্লম্বা লমদম অসি কনবদা পুন্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবিনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)না শীন্দুনা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভাবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৮৪শুবা ক্বিইট ইন্দিয়া মুভমেন্টগী নীংশিং থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।




এম পি সি সিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ও ইবোবিনা হায়, ইন্দিয়া অমদি মণিপুর কনবা হায়বসি কোংগ্রেস খক্তনা

...মখা লমায় ৫দা...

### ৱাখলগী চিঙ্জাক

অহল ওইরকপৈ ৱারুনু অহল ওইরে খল্লকপৈদমক ৱাও

### মফম কয়াদগী য়াল্লবা খূৎলায় ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দো য়াওনা চথখিবা কম্বাইন্দ টিম অমনা পাৎশোই পি এসকী মনুং চনবা খোইরুম শাবলদগী য়াল্লবা খূৎলায় ফংবা ঙমখ্রে।

খূৎলায়শিং অদুদি এস বি বি এল গন ৮, ৯ এমএম পিষ্টোল ১, মেগজিন ১,

...মখা লমায় ৫দা...

# সেন্সস ওপরেসন বোইকোট তৌখ্রে, ঙসিদগী অহিং নুংথিল খায়দনা খোঙজং চঙশিল্লগনিঃ জে এফ দি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ১৭তগী সেন্সস ওপরেসন হৌগনি হায়না থবক পায়খৎপা হৌরক্লিবা অসি মণিপুর মীয়ান্না বোইকোট তৌরে। হয়েংদগী হৌরগা অহিং নুংথিল খায়দনা মীয়ান্না লেপ্তনা খোঙজং চঙশিনমিন্নসি হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি) গী কনভেনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।



হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি ৱাংখে থাংজম লৈকাইদা লৈবা জে এফ দিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জে এফ দিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা মখা তারদুনা হায়, জে এফ দিনা সেন্সস ওপরেসন পাঙথোকপদা করিসু য়ানিংদবা লৈতে, তৌবতবু এন আর সি অপদেট তৌদুনা মীতোপ মীয়ানচাশিং নীংথিজনা খন্দোক্লবা মতুংদা সেন্সস ওপরেসন

...মখা লমায় ৫দা...

## পান্দমনা শীন্দুনা ৱার্ল্ড ইন্দিজিনস পিপলস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (এস এন এস)ঃ মালেমগী লৈবাকশিংদা পাঙথোকপগুম তাকয়েল খোংবাল ময়াই লৈকাই কম্যুনিটি হোল, তুপো গ্রাওন্দদা ঙসি পিপলস এক্সন ফোর নেসনেল দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম)না শীন্দুনা ইন্টরনেসনেল দে ওফ দ ৱার্ল্ড’স ইন্দিজিনস পিপলস (ৱার্ল্ড ইন্দিজিনস দে) থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ৱাংখেমচা শামজাইনা হায়, ৱার্ল্ড ইন্দিজিনস দে পাঙথোক্লিবা অসি য়াম্না মরু ওই। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাফমশিং অদু খঙনা ইন্দিজিনস পিপলসশিং কন্নবা থবক পায়খৎকদবনি। ঙসিগী থৌরম অসিগী মরু ওইবদি ইন্দিজিনস পিপলসশিংগী প্রোটেক্সন, রাইটস, কলচর, ট্রেদিসন অমদি আইদেন্টিটি ওফ ইন্দিজিনস পিপলস এরাওন্দ দ ৱার্ল্ড হায়বসিনি। অদুবু ঙসি মণিপুরদদি ইন্দিজিনস পিপলস ওইরিবশিং অসিগী আইদেন্টিটি নোংম–নোংমগী মাঙশিল্লকপা, ফংফম থোকপা রাইটশিং মৎপা, য়ুমদাংবনা কৈনাবা, লৌ মপু য়োংনা তানবগুম, মপানদগী

...মখা লমায় ৫দা...

### মীওই ক্রোর ৬৫.৫ ইলেক্ট্রিসিটি য়াওদনা হিংলিঃ য়ু এন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (এস এন এস)ঃ ২১শুবা চহীচা য়ৌরক্তুনা খম থেংনা চাউখৎলবসু মালেমদা হৌজিক হৌজিক মীওই ক্রোর ৬৫.৫ লোম ইলেক্ট্রিসিটি য়াওদনা হিংলি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

...মখা লমায় ৫দা...

## য়ু পি আই পেমেন্টতা মখল অমত্তগী ফি লৌররোই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯(এস এন এস)ঃ লোক সভাদা টেক্সেসন এন্দ অদর লোজ এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৬ পাস তৌরবা মতুংদা মসিগী মনুং চন্না মার্চেন্ট ফি লৌগনি অমদি লৌরোই হায়বগী চয়েৎনবা লৈরিবা অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা য়াম্না ময়েক শেংনা য়ুনিফাইদ পেমেন্ট ইন্টরফেস (য়ু পি আই) য়ুজরশিংগীদি ফি অমত্তা লৌরোই হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না য়ু পি আই পেমেন্ট তৌবদা য়ুজরশিংনা মখল অমত্তগী চার্জ লৌরোই। পার্সন টু পার্সন ত্রাঞ্জেক্সনসু অদুমক ফ্রি ওইখিগনি। অদুবু তুংদা মার্চেন্ট দিস্কাউন্ট রেট (এম দি আর) চৎনহল্লক্লবদি মার্চেন্ট ত্রাঞ্জেক্সন অসিদা অকক্লবা কেটাগোরি খরদা ফি লৌবগী ৱাফম লাকপা য়াই। তৌবতবু ফি লৌরক্লবসু অহোংবা মওংদা লৌরকপা য়াই। দেবিদ অমদি ক্রেদিট কার্দ ত্রাঞ্জেক্সন তৌবদসু এন দি আরগী

...মখা লমায় ৫দা...

## ‘মৈতৈশিংনা চত্থরকপা কলচরগী থবকশিংদা মতেং পাঙগনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯(এস এন এস)ঃ য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংনা কলচরগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু মতেং পাঙনবা থোঙ লাওনা হাংদুনা থল্লি হায়না আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর খুরাইজম লোকেননা ফোঙদোকখ্রে।

অমাই পিবা অপুল লূপ (অপাল) কংলৈপাক্কী ৭শুবা মপোক কুমওন অমদি কলচরেল এৱার্দ দিষ্ট্রিব্যুসন সেরেমোনিগী থৌরম অমা ঙসি ময়াং ইম্ফালদা লৈবা এসিয়ান একাদেমি ওফ পার্ফোর্মিং আর্টস হোলদা পাঙথোকপদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অপাল কংলৈপাককী লৈখিদ্রবা থৌমীশিংগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমখিবা ঙসিগী

...মখা লমায় ৫দা...

## লৈঙাক্না থৌদাং লৌরবদি লম পীথোকখিবা ঙাম্লোইঃ সঞ্জয়

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (এস এন এস)ঃ প্রি মর্জর এগ্রিমেন্টগী মতমদগী লৈরক্লবা ঐখোয়গী ঙমখৈ অমদি লম করিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্না চপ চাবা থৌদাং লৌবিবা তারগদি ইন্দিয়ানা ম্যান্মারদা পীথোকপা ওইথোক্লোই হায়না সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট সঞ্জয় অহন্থেমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, য়ু এসতা বেজ তৌবা মেগাজিন ‘ডি দিপ্লোমেট’ কী রিপোর্ট মতুং ইন্না ‘ইন্দিয়া ম্যান্মারগী মতম কুইনা চয়েৎনদুনা লৈরক্লবা বাউন্টরি সেটল্ট তৌনবা ৱারোইশিন পুরক্লবা ইন্দিয়া–ম্যান্মার টেরিটোরি এক্সচেঞ্জ তৌনগদৌরি। মসিদা মণিপুরদগী চাওরক্না সক্কার কিলোমিটর

...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

লৈঙাকসে নোর্মেল তাদ্রিনা
হায়খ্রমাল্লেনে লৈঙাকপনা



কদাইদগী নোর্মেল তানি হায়বগে
লৈঙাকপদি নোর্মেল তাদনা

## ‘তঙদু লৈতাদবা লমদম অমদা নুংঙাইবা পূন্সিরোল লৈহনবা ওইথোক্লোই’


ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯(এস এন এস)ঃ ফনা ইনাক খুন্দুনসু তংদু লৈতাদবা লমদম অমদা নুংঙাইবা পূন্সিরোল লৈহনবা হায়বসি ওইথোক্লোই হায়না মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ওল মণিপুর মুস্লিম আর্ট এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অম্মাকো)না শীন্দুনা চীংমৈরোংগী ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা ২৩ অমসুং ২৬শুবা পিছ এন্দ কম্যুনেল হারমোনি এৱার্দ লান্থোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ও ইবোবীনা হায়, সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক খরদা লাইনিং লাইশোন মান্নদবা

...মখা লমায় ৫দা...

## পুয়াগী মথক্তা দিফেমেসন কেস তৌরগনিঃ থৌনাওজম শ্যামকুমার



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (এস এন এস)ঃ কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর (সি ঐচ সি) মোইরাংপুরেলদা দ্যুতি তৌগদবা গভর্ণমেন্ট ডোক্তর অমদি নর্সশিং থবক কাহন্দনা থাগী শেল লৌরগা প্রাইভেট ডোক্তর অমদি নর্স পূন্না ষ্টাফ ১৪ রোম নেক্লগা চল্লাইদুনা লৈরে হায়না মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা পিপলস য়ুনাইটেদ য়ুথ এলাইয়েন্স (পুয়া)গী মথক্তা দিফেমেসন কেস তৌরগনি হায়না অন্দ্রো এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

...মখা লমায় ৫দা...

## আই দি পিগী লুচিংবশিংগা পুকমেন পাউমেন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯(এস এন এস)ঃ ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স)না ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন্সস (আই দি পি) শিংগী লুচিংবশিংগা ফম্মিন্নদুনা নুংশিনবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবগী পান্দমদা পুকমেন পাউমেন্নখ্রে।

কবো লৈকাই ৱার সিমিত্রি মনাক্তা লৈবা ফোক্সকী ওফিসতা ঙসি লাঞ্জেন্নরবা আই দি পিশিংগীদমক য়াইফনবা চেন–চোংলিবা লূপশিংগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াদুনা পুকমেন পাউমেন্নবগী মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোক্সকী আই পি আর সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চহী ৩ হেল্লক্লবা লান অসিনা মরম ওইরগা আই দি পিশিংনা থেংনরিবা খূদোংচাদবা কয়া অসি ফোক্সনা লুপ্না লৌদুনা আই দি পিশিংবু মশা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহন্নবা লৈঙাক্না চপ চাবা পোরম অমা য়াক্তুনা থবক পায়খৎনবা তকশিন্দুনা লাক্লি। মসিদা নত্তনা

...মখা লমায় ৫দা...

State Bank of India
Central Recruitment & Promotion Department
Corporate Centre, Mumbai
Phone: 022-22820427
Scan QR to Apply

RECRUITMENT OF JUNIOR ASSOCIATES (CUSTOMER SUPPORT & SALES) IN CLERICAL CADRE IN STATE BANK OF INDIA (SBI)
SPECIAL RECRUITMENT DRIVE FOR SC/ST/OBC BACKLOG VACANCIES

Applications are invited from eligible Indian citizens for appointment as Junior Associates (Customer Support & Sales) in State Bank of India on regular basis.

NUMBER OF VACANCIES: 1538

Eligibility criteria (age, qualification, etc.), requisite fees and other details, along with the link for online submission of applications and online payment of fee, are available on Bank's website **https://sbi.bank.in/web/careers/current-openings** under Advertisement no. **CRPD/CR/SPLDRIVE/2026-27/16**. Candidates are advised to go through the detailed advertisement and ensure their eligibility and other details before applying and remitting fees.

- **DATE FOR FILING ONLINE APPLICATION & PAYMENT OF FEES: 07.08.2026 TO 27.08.2026.**

For any query, please write to us through link **"CONTACT US" → "Post Your Query"** which is available on Bank's website **https://sbi.bank.in/web/careers/current-openings**

**Place:** Mumbai
**Date:** 07.08.2026
**General Manager (RP&PM)**

## ম্নেদ পোজিটিভ ন্যুজ

### এজ্যুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংগী মিটর ৫০০গী অকোয়বদা টোবেক্কো প্রদক্ট য়োনবা য়াররোই



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৯ (এজেন্সি)ঃ সেন্টরনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা এজ্যুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংগী মিটর ৫০০ গী অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা টোবেক্কো প্রদক্ট য়োনবা মপুং ফানা থিংজিন্নবগী ৱাফম মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফিয়র্স নিত্যানন্দ রায়না পার্লিয়ামেন্টদা পুথোকখ্রে।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না এজ্যুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংগী কিলোমিটর মখায়রোমগী এরিয়াদা তলব, সিখর, সাজন, খৈনি কৌতা, চুরুট, পান মসালা, চৈনি খৈনি, ক্বানচিংবা টোবেক্কো প্রদক্ট অমদি য়ুনচিংবা ময়াই কাবা চিঙ্জাক অমত্তা য়োনবা য়াররোই। লোয়ননা সেন্টরদগী শেন্থুং ফংবা হায়র এজ্যুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংদসু ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়র প্রোগ্রামশিংগী মনুংচন্না মহৈরোয়শিংগীদমক স্ক্রিনিং টেষ্ট তৌনবগী মফমশিংসু থন্নবা ৱাফম থমখ্রে হায়রি।

চহী অহুমগী ওইবা রোদমেপ প্রিভেন্টিভ এজ্যুকেসনগী মনুংচন্না মহৈরোয় য়াওনা লৈবাক মীয়ামদা ময়াই কাবা চিঙ্জাক্না পীরিবা মাঙজবশিংগী মতাংদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমদি কাউন্সিল্লিংগী থবক থৌরম কয়াসু পায়খৎলগনি। থৌরাং অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা চত্থরিবা নষা মুক্ত ভারত অমদি ২০৪৭ তা দিভলপ কন্ট্রি অমগী মঙলানগী মনুংচন্না চত্থগদবা থবক থৌরমশিংনি।

#### ভিজন দোক্যুমেন্টস ২০২৬–২৯

লৈবাক অসিদা লৈরিবা এজ্যুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংগী মিটর ৫০০ গী অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা টোবেক্কো প্রদক্টকি পোৎলমশিং য়োনবা মপুং ফানা থিংজিন্নবগী সেন্টরনা পায়খৎলক্কদৌরিবা থবক থৌরমশিং অসি ভিজন দোক্যুমেন্টস ২০২৬–২৯ গী মখাদা চত্থরক্কদবনি। মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনবা অমদি মশা–মউ ফনা লৈবাক অসিগী তুংগী মতিক চাবা য়ুম্বিরেল অমমম ওইনবা লৌখৎলকপা থৌরাংনি হায়রি।

## সনালৈবাক পব্লিক ওপিনিয়ন

### মীয়ামগী খোল্লাউ ঈশ্বরগী খোল্লাউ

**ঙাঙবম ইবোতোম্বা, সুপরভাইজর হেল্থ এন্দ ৱেলনেস**



হৌজিক্কি ওইরিবা ফীভম অসিদা মপুং ওইনা লমদম অসিগী নহাশিংনা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনহন্নিংই। হকচাং ফনবু লৈরবদি পুক্নিং–ৱাখলসু অফবা ওইরক্কনি। ৱাখল লৌশিং লৈরগদি লৈবাক অসিগী মাঙজবা য়াবা থবক অমত্তা তৌরক্লরোই, শুপ্নগী লৈবাক্কি কান্নগদবা থবক তৌরকপনা মণিপুরগী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। অফবা লুচিংবা খনবা ঙম্বগী ৱাখল্লোল ফাউরকপনা মতিক চাবা লুচিংবা লৈরক্লগদি মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমসু কনবা ঙল্লগনি অমদি চাওখৎপা লমদম অমসু ওইরগনি। চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইনবগীদমক অহানবদা পিছ হান্না লাকপা অমা য়ান্না মথৌ তাই। মশা ফৎতবা মীনা অফবা ৱাখল খনবা ঙম্লোই হায়বসি য়ুনির্ভসিএল ট্রুথ ওইরবা ৱাফমনি। মণিপুরগী নহা ১০০গী মনুংদা ৯০ দি মশা–মউ ফৎত্রে, ১০০ গী মনুংদা ৯০না মশা–মউ ফরক্লবদি লমদম অসিদা চাউনা অওনবা অমা লাক্কুনা অফবা খুন্নাই অমা শোয়দনা ওইরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ।

**ফৈরোইজম অরুনকুমার, ফাইনান্স সেক্রেটরি কে এন ৱাই টি**



লাক্কদৌরিবা ২০২৭কী মীখল অসিদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না মমা লৈবাক মণিপুরবু থম্মোয় শেংনা নুংশিরবা অমদি য়েক্লবশিংদগী কনবা পাল্লগদি শেঞ্জা থুমজা তৌদনা অমদি চাকচা–হৈজান্নদনা অফবা লৈবাক্কি অফবা থবক তৌরক্কদবা মশাগী মথৌ চপচানা খঙগদবা লুচিংবশিং খন্দুনা ভোট থাদহৌসি। মদুনা ইমা লৈবাক মণিপুরবু থম্মোয় শেংনা নুংশি হায়বদু তাকপা ওইগনি। লোয়ননা মণিপুরদা ঈং–তপ্পা পুরকসি হায়রগদি চীং অমদি তমদা লৈরিবা লালহৌ লুপশিং নীংথিনা ৱারি শান্নদুনা ৱাখল তামিন্নবা অমা য়ান্না মথৌ তাই। সুগী মীংদা চীংদা খুৎলায় পায়দুনা ফোংনা লোগী ৱাংমদা লৈদুনা থবক তৌরিবা খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিং অসিসু য়ানখিবা ৱাফমগী মতুংইন্না কন্ট্রোল অমগী মখাদা লৈহনবা চঙই। পিছপু লৈরক্লগদি দিভেলপমেন্টদি অদুমক মশানা লাক্কনি। মরম অদুনা চীংদা লৈরিবা পিছ থুগায়নবা হোৎনরিবা খুৎলায় পায়বশিং এক্সন লৌখৎতুনা লাকশিনবা য়ান্না মথৌ তাই।

হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসি করম্না কোকহনবা ঙমগনি হায়বগী মতাংদা অদোমগী ৱাখল্লোল ৱাট্সএপ নম্বর **9366310922** অমদি ই–মেল **sanaleibakdaily2008@gmail.com** দা থাবীরকউ।

### হেক্তা হায়জিনবা

## অঙাং শেন্বা

শেমজৈ মমা মপানা
অঙাং অমা মীওইনবা
তন্বী হুরান চিন্থি
লাইরিক তন্না তন্না
তন্বী ওইদবা ঙাঙবা
নমফু হাফুদা শেন তানবা
মালহন্নবা এক্টিং তৌবা
অঙাং হম হম চাওরকই
মহৈরোই লিদর ওইরকই
টি ভিদা ৱা ঙাঙলকই
মরৈবাক নীংবা শারকই
থিকা সপ্লাই য়াওরকই
খুৎলাই পায়বগা শন্নরকই
শেল জোম জোম পায়রকই
সোসিয়েল ৱার্কর ওইরকই
ভোট লেপ্পুনা কারকই
মিনিষ্টর ফানিষ্টর ওইরকই
মোমোন তৌজৈ মমা মপা
খঞ্জৈ মচা শেন্বা হৈরে
শেমজৈ অঙাং অমা মীওইনবা
শেমজৈ মমা মপানা

# আস!ঃ নেসনেল হায়ৱে খূদক্তগী হাংদোক্লগনি হায়খ্রেনে

*নেপ্রম কৃষ্ণমোহোন*

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৯ঃ মণিপুর ফাওনা চৎলিবা নেসনেল হায়ৱেশিং মরু ওইবা লাইফ লাইন অমসু ওইরিবা নেসনেল হায়ৱে–২ ইম্ফাল–মাও লম্বীদা কাংলুপ অমগী মীওই চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা থল্লকখিবসি নুমিৎ ১১২৬নিদি শুরে। কুমজা ২০২৩গী মে ৬তগী অথিংবা অসি থল্লকখিবনি। মতম অদুদা সেন্টরগী লৈঙাক্না হাপ্লকখিবা ষ্টেট অসিগী সেক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনদি ৱাখল তান্নরগা হাংদোকপা ফৈ খনবদগী ফোর্স থাজিন্দবনি হায়নদি ফোঙদোকখিবনি। অদুবু ঙসিদি নেসনেল হায়ৱেশিং মরু ওইনা ইম্ফাল–মাও লম্বী খুদক্তা হাংদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মসি তাবদনি মীয়াম্না মায়কৈ কয়াদগী আস! কমদৌদৌরি হায়নরক্লিবসি।

নেসনেল হায়ৱেদা অথিংবা থম্বা, ব্লোকেদ তৌবনচিংবা য়াদে হায়না লাউথোকখ্রবসু লৈঙাক্না করিসু তৌবা ঙমদে। তৌবগীবুদি অসিগুম্বসি ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুর খক্তদা ওইরমদৌ মাল্লি। ওইরমদবসু ওইসনু। নেসনেল হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লীংউ হায়বসিদি লান থোক্লিঙৈ আ মমাঙদগী লাউদুনা তকশিন্দুনতা লাকখিবনি। তাবীদবগী ৱানি। তাদি তারমগনি থবক্তা ওন্থোক্লবগী লম্বী নত্রগা থৌরাং ময়েক শেংনা লৈতবগী ওইরমগনি। অদুনবু ৱাখল তান্নরগা হাংদোকপা ফৈ হায়না চহী অহুম লৈরক্লিবা অসিনি।

মণিপুরদা লান থোক্লবা মতুংদসু কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ ক্লবস এন্দ মৈরা পায়বী সাউথ ইষ্টর্ন মণিপুরনা হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে থাদা দিমান্দ ১৫ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিমালে। মদুদসু নেসনেল হায়ৱেশিং প্রোটেক্সন তৌহয়বা য়াওখি। লুপ কয়ানসু অদুমক দিমান্দ তৌরি। কুমজা ২০২৩গী জুন মঙাদা নেসনেল হায়ৱে–২ হাংনবা ফিরেপ লৌরুবা কম্মিটি ওন ত্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) কাংপোকপীগী চিয়ারমেনগী সপরমৈনাদা লৈবা য়ুম মীয়াম্না মৈ থাদোকপীখি। ইরাং অদু লাকশিন্নবা কে এন এফকী কাদরশিংনা মীওই অমা শিখি হায়না রিপোর্ট তৌনখিবনি। শুপ্নতগী নুমিৎ ৭নিখক নেসনেল হায়ৱে ২ হাংদোক্লবা ফিরেপ লৌরুবগীদমক ময়ুম মৈ থাদোকপিখি। মীওই অমা শিখি। অদুবু হৌজিক্তি চহী অহুমগী মতুংদা খুদক্তগী হাংদোক্লগনি হায়না লাউথোরকপা তাবদনি আস! হায়নরক্লিবা কোটুনা, কে এস ওনা করি হায়রক্কদগে খঙনিংলিবসি।

সনালৈবাক্কী মপাউ

তৌবগীবুদি, মমাঙগী এন বিরেন সিংহনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক্তা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা লৈঙাক ৱায়েল থৌদা পুবা য়াওরম্বা হৌজিক্না ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক্তা দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ৱান ওইরিবা নেমচা কিপগেন, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৫১–সাইতু এ সিগী ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ হাওখোলেত কিপগেন য়াওনা চীফ মিনিষ্টরনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ কার্টরদা নেসনেল হায়ৱে খুদক্তগী হাংদোক্লগনি লাউথোকখিবনি। কুকি লুচিংবা এম এল এ অনী য়াওনা লাউথোকখিবনিনা থোইনা অয়েৎপদি লাক্কদবা মান্দে। নেসনেল হায়ৱে হাংদোকপদা অকাইবা লৈতে, তৌইগুম্বসুং কুকিশিংগী বফর জোন লানশিনবদি

...মখা লমায় ৫দা...















## ঙসিগী রাশি ফল (১০-০৮-২০২৬)

**ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)**

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হান্নদগী হেনগৎপা চাওখৎপা থবক পাঙথোকপা, পোৎ মমল য়াম্বা লেপশিনবা, মীয়াম্না চানবিবা ওইরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**বৃষঃ** পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, শেল ফংবা, মিংচৎ হেনগৎপা মরুপ্তগী মতেং ফংবা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা ওইরগনি। ইংনা চিক্লা লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**মিথুনঃ** খুদোংচাবা মায়োক্লবা, চাংয়েংনবদা মায় পাকচবা, মরুপ মফম পাক চাওখৎপা, শীংথাবিবদা য়াওবা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**কর্কটঃ** চেকশিন্না হোৎনজগনি, শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। ঐগী মীনা মীগী মীচংদা লৈখিগনি। মীগী মতেং পাংলুগনু। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**সিংহঃ** হৈশিংনা চেকশিন্না হোৎনজগনি। মসিনা অফবা ফল ফংলগনি। তিন্নবশিংনা অর্থ লান্না লৌবিরগনি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু।
পাখং লৈশাবীশিংগী –মত খেন্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

**কন্যাঃ** হকচাং ফবা ৱাৎলগনি। ৱাখল চঙবা থবক্লা হেল্লগনি। মী মশক খঙনা লোয়নবা ফগনি। য়েৎশিনবা হেনগৎলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরোই।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল ফকচিনগনি।

**তুলাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, মীয়াম্না শক খঙবিবা, ৱাখল হকচাং ফগৎপা নুমিৎনি। চথোক চৎশিন্দা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**বৃশ্চিকঃ** হৈ শিংনা চেকশিন্না হোৎনজগনি। চথোক চৎশিন্দা মী তিন্নবদা হৈ শিংগনি। লুচিংবশিংনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংলোই।

**ধনুঃ** হেন্না লাঙবা অমা নৎত্রগা অমা খনবা নুমিৎনি। থবক খরদি মায় পাক্লা পাঙথোক্লগনি। শাগৈনা য়েং থিগনি। লমতু চৎপা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চরাংনগনি।

**মকরঃ** খল্লুদবা পামদবা থেংনরগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈ শিংগনি। কল্লকপা হেনগৎলগনি। চথোক চৎশিন্দা চেকশিনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল ফকচিনগনি।

**কুম্ভঃ** পূক্লিং হকচাং ফগৎপা, থবক পাঙথোকপা, শেল ফংবা পোৎ মমল য়াম্বা লৈশিনবা, মতেং পীবিবা হেনগৎপা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৱাখল চঙগনি।

**মীনঃ** মুন্না কৃপ্না খন্থবগা থবক তৌগনি। নৎত্রবদি হন্নবা নাইবা থেংনরগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। লমলানবশিংনদি চানবিরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।


9366310922
sanaleibakdaily2008@gmail.com

# M/S BEE BRICK FIELD

Wangjing Sabal Checkon Leikai

**Brick Rate Including Transport & Labour Charge**

| Class | Rate | No. Of Bricks | Total Amount |
|---|---|---|---|
| 1st Class | 14.50 | 1,500 | 21,750 |
| | | 2,000 | 29,000 |
| 2nd Class | 13.50 | 1,500 | 20,250 |
| | | 2,000 | 27,000 |
| 1st Reject | 12.50 | 1,500 | 18,750 |
| | | 2,000 | 25,000 |
| Jhamat | 11.50 | 1,500 | 17,250 |
| | | 2,000 | 23,000 |
| 1st P.T | 11.50 | 1,500 | 17,250 |
| | | 2,000 | 23,000 |
| 2nd P.T | 10.50 | 1,500 | 15,750 |
| | | 2,000 | 21,000 |
| 3rd Class | 8.00 | 1,500 | 12,000 |
| | | 2,000 | 16,000 |

**Please Contact: 7005513073**

– SL/Sush/5 Aug-3 Sep/alt


## SANA - SUDOKU


*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1045**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | 7 | | | 4 | 9 |
| 3 | 6 | | 2 | | | | 1 | |
| | | 4 | | 3 | 1 | | 6 | |
| | 3 | | | | 2 | 7 | | 1 |
| 4 | | | 7 | | | 2 | 3 | |
| 5 | | 7 | | 1 | | 4 | | |
| | 7 | 3 | 4 | | | | 2 | |
| | | 1 | | | 7 | | | 3 |
| 6 | | | | 2 | | 9 | | |

সনা-সুদোকু-১০৪৫গী সোল্যুসন লমাই ৬দা

# লৈবাকসিগী লৈরিবা লোগী মতুং ইন্না মেটানা থবক তৌগদবনি গ্লোবেল পোলিসি খক্তদা য়ূমফম ওইদুনা থবক তৌবা য়ারোই



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিগী লৈরিবা লোগী মতুং ইন্না মেটানা লৈবাক অসিদা থবক তৌবা য়াগনি, মালেমগী লৈরিবা গ্লোবেল পোলিসি খক্তদা য়ূমফম ওইরগা মেটানা ওপরেট তৌবা য়ারোই হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্না মেটাদা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমগী মতুং ইন্না মালেমগী ওইনা সোসিয়েল মেদিয়া জাইন কম্পেনি অমা ওইরিবা মেটাগী ওফিসিয়েল অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক এন্দ ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্নোলোজিগী লৈরিবা ওফিসিয়েলশিংগী মরক্তা কয়ারক হন্না উন্নদুনা ৱারী শান্নরবা মতুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী ওফিসিয়েলশিংনা মেটাগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংদা খঙহনখিবনি হায়রি।

অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী অপান্বগী মতুং ইন্না মেটানা লৈবাক অসিদা ওপরেট তৌগদবনি হায়না খঙহনখি হায়না কোর্ট তৌবদি অরানবা ৱাফম ওইগনি হায়নসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ক্লেরিফিকেসন তৌরকপা লৈরি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী লৈরিবা লোগী মতুং ইন্না মেটাগী লৈরিবা পোলিসি, প্লেটফোম গাইদলাইন অমদি মোদরেসন সিষ্টেম অসি তুনা চৎমিন্ননবা খঙহনখিবনি।

হন্দক মরক ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মেটাগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংগা কয়ারক হন্না উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা অদু মেটাগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী লৈরিবা লোগী মতুং ইন্না ওপরেট তৌগনি হায়বগী এস্যুরেন্স পীরকপথক অদুনা য়াবা ঙম্লোই। মদুগী মহুৎ চপ চাবা খোঙথাং অমা লৌখৎকনি হায়বগী অকক্নবা ৱাফম অমা মেটাগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা উন্নবা অদুদা থমগদবনি হায়না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা তকশিনখি হায়রি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী লৈরিবা কলচর অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা বেজ তৌবা টিমশিংনা মপুং ফানা খঙবা নৎতে। মেটাগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী লৈরিবা লোন, কলচরনচিংবা লোকেলগী ওইবা অহেনবা ইনপুটশিং অসি অমুক্কা হেন্না খঙনবা হোৎনদুনা লৈবাক অসিদা ওপরেট তৌবা মথৌ তাই।

পনবা য়াবদি হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা মেটাগী টেক্নিকেল টিম অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক এন্দ ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্নোলোজিগী রিপ্রজেন্টেবিশিংনা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা অদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী লৈরিবা লোকেল ইনপুটশিং অসি মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনদুনা হেন্না ফবা মওংদা মেটানা লৈবাক অসিদা ওপরেট তৌনবা মরীলৈনবা রিপ্রজেন্টেটিবশিংদা খঙহনখিবনি হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা মেটাগী টেক্নিকেল টিম অমদি মিনিষ্ট্রিওফ ইলেক্ট্রোনিক এন্দ ইনফোর্মসন টেক্নোলোজিগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংগী মরক্তা মখা তানা অনিরক উন্ননবগী থৌরাং তৌরি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অহানবা রাউনগী ওইনা নাকল অনিগী মরক্তা উন্নদুনা ৱারী শারবা য়াই হায়নসু থাজনরি।

# নীট পেপর লিক ওইবগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা চংশিনবা খোঙজংদা জেন–জিবু লান্না লমজিংনবা হোৎনখি: ধর্মেন্দ্র প্রধান



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
নীট পেপর লিক ওইবগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াবা জেন–জি শিংবু লান্না লমজিংনবা হোৎনখি হায়না হান্নগী য়ুনিয়ন ইজুকেসন মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধাননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি জি এম য়ুনিভর্সিটিদা মহৈরোই অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ধর্মন্দ্র প্রধাননা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা ধর্মন্দ্র প্রধাননা হায়, জেন–জি অসি ঐখোয় পূম্নমক্কী অঙাং ঙাক্তনি। মখোয়বু মীওই খরনা লান্না লমজিংনবা হোৎনখি। জেন–জি গা মহাক্কগী মরক্তা মখল অমত্তগী ওইবা নুং ঙাইনদবা লৈতে। চহী খুদিংগী লৈবাক অসিদা অঙাং ক্রোর ২ হেন্না পোক্লি। হৌখিবা চহী ১০ অসিদা অঙাং ক্রোর ২০ হেন্না পোকখ্রবনি। হায়রিবা অঙাংশিং অসি মশাগী তুংগী পুন্সি মায় পাক্নবগী ৱাখল্লোন কয়া লৈরিবনি। হায়রিবা অঙাংশিং অসিনা লৈবাক অসিবু মালেমদা ‘বিশ্ব গুরু’ ওইহল্লক্কদৌরিবনি। মহাক্কী মফমদা পোষ্ট অমত্তা মরুওইবা হায়বা অমা লৈতে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন ইজুকেসন মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিবা অদুগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা য়ুনিয়ন কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরদগী রিজাইন তৌনবা খঙহল্লবা মতুং হৌখিবা জুলাই ২৫দা লৈবাক অসিগী ইজুকেসন মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিবনি হায়নসু ধর্মন্দ্র প্রধাননা ফোঙদোকখি।

# টামিল নাদু : সি এম বিজয়না চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকপা মীফমনা দিলিমিটেসন বিল ওপোজ তৌখ্রে



চেন্নাই, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
চীফ মিনিষ্টর সি জোসেফ বিজয়না চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকপা মীফমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্নুনা পাস তৌনবা হোৎনরিবা দিলিমিটেসন বিলগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়াবা কোংগ্রেস পার্টিগী এম পি কর্টি চিদম্বরমনা ফোঙদোকখিবদা রাজ্য সভা অমদি লোক সভাগী এম পি ৫৭কী মনুংদা এম পি ২১না শরুক য়াদুনা মীফম পাঙথোকখি। চীফ মিনিষ্টর সি জোসেফ বিজয়না চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা টামিল নাদুগী রাইট প্রিজাব তৌদুনা থমগদবনি। পার্লিয়ামেন্টতা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা রিপ্রজেন্টেটিবশিংগী মশিং অসি হন্থবা য়ারোই।

পোপুলেসনদা নৎত্রগা প্রোপোসনেট ইনক্রিজতা য়ূমফম ওইদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না দিলিমিটেসনগী থবক চথনবা হোৎনরক্লবসু মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা লুচিংবশিংনা অমত্তা ওইনা দিলিমটেসনগী প্রোসেস অদুগী মায়োক্তা লেপ্পা হায়না য়ান্নখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী লৈরিবা পার্লিয়ামেন্টকী সিট ৫৪৩ অসি মখা তানা থমদুনা হৌজিক লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী এম পিগী মশিং অসি কায়হন্দনা থন্বা পাম্মি।

টামিল নাদুগী হৌজিক হৌজিক পার্লিয়ামেন্টতা মেম্বর ৩৯ লৈরি। এম পি কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা পার্লিয়ামেন্টকী সিট মশিং নৌনা হেনগৎপনা পার্লিয়ামেন্টতা করিসু খেন্নবা পুরকপা ঙম্লোই হায়না অমত্তা ওইনা য়ান্নখি।

হৌজিক লৈরিবা পার্লিয়ামেন্টকী অপূনবা সিট ৫৪৩ অসিদা টামিল নাদুগী লৈরিবা লোক সভাগী অপূনবা সিট ৩৯ অসি কায়হন্দনা থন্বা হায়বা অসি টামিল নাদু মীয়ামগী অপান্বনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি সি এম বিজয়না চিয়ার লৌদুনা কলায়বনা অরঙ্গমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদু দি এম কে অমদি এ আই এ দি এম কেনা বোইকোদ তৌখিবনি।

# ‘দিলিমিটেসন বিলনা পূন্নমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না সেন্টর লৈঙাক্না খুদোঙচাবা ফংগনি’



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
ইন্দিয়া লৈঙাক্না পার্লিয়ামেন্টতা দিলিমিটেসন বিল পুথোক্নুনা পাস তৌনবা হোৎনরিবা অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা রিজন পূন্নমক্তগী সেন্টর লৈঙাক্না খ্বাইদগী হেন্না খুদোঙচবা ফংগনি। বিল অসি ষ্ট্রেটেজিক অমদি সেক্যুরিটি চেলেঞ্জ কয়া মায়োক্নরিবা নোর্থ ইন্দিয়া অমদি নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনদা হিরম অমত্তদা কান্নগদবা লৈতে হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা এম পি মনিস তিৱারিনা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস পার্টিগী এম পি মনিস তিৱারিনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্ট্রেটেজিক অমদি সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা চেলেঞ্জেজশিং অসি নোর্থ ইষ্ট অমদি নোর্থ ইন্দিয়া খক্তদা কন্সেনট্রেদ তৌদুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা লৈবাক মীয়াম পূন্নমকনা রিজনশিং অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী পোলিটিকেল ৱেট অসি হান্নগী তাথহন্দনবা হোৎনবা মথৌ তাই।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক অসিদা দিলিমিটেসন পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরিবা অসি নোর্থ ইন্দিয়া, সাউথ ইন্দিয়া নৎত্রগা নোর্থ ইষ্টকী লৈরিবা ইন্টরেষ্ট অসিগা মখল অমত্তদা মরী লৈনদে। বিল অসি শুন্নতগী সেন্ট্রেল ইন্দিয়াদা খুদোঙচাবা ফংগদবা বিল অমনি হায়না তিৱারিনা ফোঙদোরক্লি।

ৱুমেন রিজার্বেসনগী মতাংদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱুমেন রিজার্বেসন ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী অপাম্বা লৈ হায়না ফোঙদোক্লবনিনা হৌজিক লৈরিবা অপূনবা সিট ৫৪৩ অসিগী চাদা শরুক ৩ থোকপগী অমা ৱুমেন রিজার্ব ওইনা থম্বিয়ু। ইন্দিয়া লৈঙাক্না সিট ৮৫০দা হেনগৎনবা হোৎনরিবা অসি চাইনাগী লৈরিবা নেসনেল পিপল কোংগ্রেসকা মান্ননবা শিল্লিব্রা।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মশাগী ওইবা ৱারেপ লৌদুনা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনবদা অকায়বা লৈতে। অদুবু ওপোজিসনগী মায়কৈদগীদি বিল অসিগী মায়োক্তা লৈগনি হায়নসু কোংগ্রেস পার্টিগী এম পি মনিস তিৱারিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


# অসাম: মীওই ৯৯ লৈখিদ্রে, থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ফংদবা কয়া য়াওরি

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
অসামদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অসিদা মথৌতাবা রেস্ক্যু ওপরেসন অমদি অৱাবা নংলবা মীয়ামদা মতিকচানা অসাম লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তেংবাং পীবা ঙমদনা লৈরি। ঈশিং ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা অসামদা লৈখিদবা মীওইগী মশিং অসি লৈঙাক্না পীরিবা ওফিসিয়েল ফিগর অসিদগী অমুক্কা হেন্না হেল্লম্বা য়াই হায়নসু কোংগ্রেস পার্টিগী লিদর রিতু বোরানা ফোঙদোকখ্রে।

রিতু বোরানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা অসাম লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেট অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অসিদা হৌজিক ফাওবগীওইনা মীওই ৯৯ লৈখিদ্রে হায়না রিপোর্ট তৌরি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রিপোর্ট তৌরিবা লৈখিদবা মীওইগী মশিং অসিদগী হেন্না হেল্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈরি। ঈশিং ঈচাও অসিদা লৈখিদ্রবা মীওই কয়াগী থৱাই য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং হৌজিক ফাওবা রিকোভর তৌবা ঙমদনা লৈরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা অসামদা মায়োক্নরিবা ঈশিং ঈচাও অসিগী অঙনবা মতমদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মথৌতাবা থবক থৌরমশিং মায় পাক্না পায়খৎখিদে। ঈশিং ঈচাওনা অৱা অনা তারবা মীয়ামদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মথৌতাবা তেংবাং ঙসি ফাওবা পাংবা ঙমদনা লৈরি।

অৱা অনা তারবা মীয়ামদা রিলিফ মেটরিয়েলশিং মরীলৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী মতম চানা পীবা ঙমদনা লৈরি। মহাক্কী মায়কৈদগী ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা নংলবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনবদা অৱাবা অনা তারবা মীয়ামদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংলকপা রিলিফ মেটরিয়েলশিংদগী পল্লিকনা পাঙলকপা রিলিফ মেটরিয়েলশিংনা হেন্না মশিং য়াম্বা কয়াসু থেংনদবা নৎতে হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী লিদর রিতুন বোরানা অসাম লৈঙাক্কী মথক্তা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি।



Crossword # 1112

| Across | Down |
|---|---|
| 1. Wound remainder | 1. Masts |
| 5. Stories | 2. Tailed celestial body |
| 10. Urgent acronym | 3. Rocker ____ Cooper |
| 14. Warsaw native | 4. Restored the honor of |
| 15. Get up | 5. Field cover |
| 16. Mete (out) | 6. R&B singer ____ Franklin |
| 17. In the center of | 7. Commit perjury |
| 18. Actress ____ Witherspoon | 8. Double curve |
| 19. Horse feed | 9. Oozes |
| 20. Proof of purchase | 10. Worships |
| 22. Talking bird | 11. Skyrocket |
| 24. Guide | 12. Female singer |
| 25. Bother | 13. Annoying thing |
| 28. Group spirit | 21. Laundry appliance |
| 30. Desirable quality | 23. Woeful word |
| 34. Unruffled | 26. Quick tempo |
| 37. Lower limbs | 27. Viewed |
| 39. Income | 29. Not fake |
| 40. Like summertime tea | 31. Petty quarrel |
| 41. Amphitheater | 32. Aristocrat |
| 43. Wyatt ____ | 33. Use a keyboard |
| 44. Exclamation of discovery | 34. Thailand, formerly |
| 45. Walk heavily | 35. Resound |
| 46. Baby's toy | 36. Raise |
| 48. Telegraph inventor | 38. Clothes |
| 50. Language of Syria | 42. Bellow |
| 52. Fright | 43. And so on (2 wds.) |
| 54. Send payment | 45. Look |
| 58. Straw hat | 47. Breezy |
| 61. Florida racetrack site | 49. Commences |
| 63. ____-friendly | 51. Eager |
| 64. Tightwad | 53. Highway entrances |
| 67. Notable periods | 55. Virtuous |
| 68. Catalog | 56. Silly |
| 69. Likely | 57. Jobs |
| 70. Military grade | 58. "____ Fiction" |
| 71. Touches lightly | 59. Tibet's continent |
| 72. Christmas visitor | 60. Bird's home |
| 73. Malt drinks | 62. Vicinity |
| | 65. A Gershwin |
| | 66. Family member |

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# মচু ৩গী ফিরাল চিংখৎতুনা শরুক য়ানবা আপিল তৌরক্লি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
বি জে পিনা লৈবাক শিনবা থুংনা চংশিল্লিবা ‘হর ঘর তিরঙ্গা’গী কেম্পেন অসিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ান্না মশা মশাগী য়ুম অমদি ৱাক প্লেস এরিয়াশিংদা লৈবাক অসিগী মচু ৩গী নেসনেল ফ্লেগ চিংখৎতুনা শরুক য়ানবা আপিল তৌরক্লি।

বি জে পিনা ঙসিদগী হৌদুনা চথরিবা হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেন অসি তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা তিরঙ্গা যাত্রা চৎতুনা হৌদোকখি। উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান, মণিপুর, মধ্য প্রদেশ অমদি ওরিশানচিংবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা বি জে পিগী লৈরিবা লিদর অমদি মশিং য়াম্লবা ৱার্করশিংনা খূৎতা নেসনেল ফ্লেগ পায়দুনা তিরঙ্গা যাত্রাগী খোঙচৎ চৎখি।

# পি এস সি মেম্বর ৩ রিজাইন তৌখ্রে

রাঞ্চি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
ঝরখন্দ পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (জে পি এস সি)না কন্দক তৌদুনা পাঙথোকপা রিক্রুটমেন্ট টেষ্ট কয়াদা নৎতবা থৌওং কয়া চৎখে হায়না ঝরখন্দদা মশিং য়াম্লবা মীয়ান্না খোঙজং চংশিল্লিঙৈ চৈরক্তা জে পি এস সিগী মেম্বর ৩ খঙহৌদনা রিজাইন তৌখ্রে।

জে পি এস সিগী মেম্বর ওইবদগী রিজাইন তৌনবা গভর্ণর সন্তোশ কুমারদা পীশিল্লকখিবা মেম্বরশিং অদুদি অজিতা ভত্তাচারিয়া, অনিমা হন্সদা অমদি জমাল অহমদনি হায়রি। মখোয় অহুমগী রিজাইনেসন পেপর অদু গভর্ণর সন্তোশ কুমার গেংৱারনা অয়াবা পীখ্রে হায়নসু ষ্টেট অসিগী লোক ভৱনগী মায়কৈদগী থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

| সনা–সুদোকু–১০৪৫গী সোল্যুসন | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 2 | 6 | 7 | 5 | 3 | 4 | 9 |
| 3 | 6 | 5 | 2 | 9 | 4 | 8 | 1 | 7 |
| 7 | 9 | 4 | 8 | 3 | 1 | 5 | 6 | 2 |
| 8 | 3 | 6 | 5 | 4 | 2 | 7 | 9 | 1 |
| 4 | 1 | 9 | 7 | 6 | 8 | 2 | 3 | 5 |
| 5 | 2 | 7 | 3 | 1 | 9 | 4 | 8 | 6 |
| 9 | 7 | 3 | 4 | 5 | 6 | 1 | 2 | 8 |
| 2 | 4 | 1 | 9 | 8 | 7 | 6 | 5 | 3 |
| 6 | 5 | 8 | 1 | 2 | 3 | 9 | 7 | 4 |

# টেরর এটেককী মতুং সেক্যুরিটি ফোর্সনা জে এন্দ কেগী তোঙান তোঙানবা মফম ২৬তা রেইদ চথখ্রে



শ্রীনগর, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
নোর্থ কাশ্মিরগী সোপোর এরিয়াগী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা মফম ২৬তা জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসনা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চথখ্রে।

জে এন্দ কে পুলিসকী মতুং ইন্না বোমাই, টার্জু, সতলু, রোহামা, গোরিপোরা অমদি বেহরমপোরা য়াওনা সোপোর টাউনগী তোঙান তোঙানবা খূঙ্গংশিংদা লৈবা রেসিদেন্সিয়েল হাউস অমদি ব্যুজিনেস ইষ্টাব্লিসমেন্ট কয়াদা জে এন্দ কে পুলিস অমদি সি আর পি এফকী কম্বান্দ সেক্যুরিটি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথখিবনি।

ওফিসিয়েলশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জে এন্দ কে পুলিসনা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী মতুং ইন্না অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট (য়ু এ পি এ)গী মখাদা থিবা হুন্বগী থবক অদু চথখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা থিবা হুন্বগী থবক অদুদা মীওই অমত্তা ফাবা পুনবগী থবক অমত্তা য়াওদ্রি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি পুলৱামা এটেক থোকখ্রবা মতুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ারসনা হৌখিবা চহী ২০১৯দা য়ু এ পি এগী মখাদা জমাদ–ই–ইস্লামিবু বেন্দ তৌদুনা অনলোফুল ওর্গনাইজেসননি হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মতুং জে এন্দ কে পুলিস অমদি সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লেপ্পা লৈতনা জমাদ–ই–ইস্লামিগী মথক্তা পাক শন্না ক্রেকদাউন চথদুনা লাক্লি।

পনবা য়াবদি জুলাই ২২দা জে এন্দ কেগী অনন্দনাগ টাউনদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী থবক তৌরিঙৈ পুলিস ওফিসিয়েল অমবু অনকপা রেঙ্গতা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক অমদি মায়গ্রেন্ট লেবর অনি টেরোরিষ্টশিংনা হাৎতোকখিবগী থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা পাক্তক্নুনা থিবা হুন্বগী থবক চথদুনা লাক্লি।

সেক্যুরিটি ফোর্সনা ঙসি ফাওবা চথদুনা লাক্লিবা থিবা হুন্বগী থবক অসিদা চিংনবা মীওই ৩,০০০ হেন্না ফাদুনা ৱাহং পাউহং চথখিসু লৈখ্রে।

# ট্রিপুরা: বঙ্গলাদেশকী মীওই অমা বি এস এফনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে



অগরটলা, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
ট্রিপুরা অমদি বঙ্গলাদেশকা তায়নবা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মোগালি এরিয়াদা আইন কায়না লৈবাক অসিদা চংশিল্লক্নবা হোৎনরম্বা বঙ্গলাদেসকী মীওই অমা বি এস এফ পার্সোন্নেলশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

ট্রিপুরা পুলিসকী মতুং ইন্না ইন্দিয়া অমদি বঙ্গলাদেশকী ঙমখৈ পরিংদালৈবা ট্রিপুরাগী উনাকোতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোর্দর এরিয়াদা স্মগ্লরশিং ওইগনি হায়না চিংনবা মীওই খরা ইন্দিয়াগী টেরিটোরিদা আইন কায়না চংশিলক্নবা হোৎনরম্বা থেংনবদগী ঙমখৈ পরিং অদুবু ঙাক শেনবগী মথৌ তৌরিবা বি এস এফ পার্সোন্নেলশিংনা নোংমৈ কাপ্তুনা থিংনবা হোৎনখি।

বি এস এফনা নোংমৈ কাপ্তুনা স্মগ্লরশিং অদুবু তান্থোকখ্রবা মতুং মফম অদুদা চংশিন্দুনা য়েংবদা বঙ্গলাদেশকী মীওই অমা থৱাই য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং ওইনা তাদুনা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমগা উনাকোটি দিষ্ট্রিক্টকী এস পি রিসাফকা থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নবদা স্মগ্লর খূৎপু অমনা ইন্টরনেসনেল বোর্দর লানশিলক্লবা মতুং লৈবাক অসিগী টেরিটোরি লানশিন্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা বি এস এফ পার্সোন্নেলশিংনা মখোয়বু থিংনবা হোৎনখি। অদুবু স্মগ্লরশিং অদুনা য়োৎচৈ অমদি ক্রিকেট বেদ শিজিন্নদুনা বি এস এফ পার্সোন্নেলশিং অদুগী মথক্তা এটেক চথরকখি। বি এস এফ পার্সোন্নেলশিংনা মশা ঙাকথোকচনবগীদমক নোংমৈ কাপ্পদা হায়রিবা বঙ্গলাদেসকী মীওই অদু লৈখিদবনি হায়না ফোঙদোরকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# রোদ ট্রান্সপোর্টনা থোকহনবা পোলুসননা ২০২৪দা লৈবাক অসিগী মীওই ৯০,০০০ রোম লৈখিদ্রে: রিপোর্ট



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
হৌখিবা চহী ২০২৪দা রোদ ট্রান্সপোর্টতগী থোকহনবা পোলুসননা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা মনুং মতম চাদনা চাওরাক্না মীওই ৯০,০০০ হেন্না লৈখিদ্রে। অদুগা পেদিয়াট্রিক অজমাগী কেস নৌনা ১৫,৩০০ থেংনখি হায়না ইন্টরনেসনেল কাউন্সিল ওন ক্লিন ট্রান্সপোর্টসেনগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না রোদ ট্রান্সপোর্টতগী থোক্লকপা পোলুসননা মরম ওইরগা লৈখিদবা মীওই ৯০,০০০ রোম অদু এম্বিয়ান পি এম ২.৫, ওজোন (০৩), নাইট্রোজেন দাইওক্সাইদ (এন ও ২) অমদি এন ও ২গা মরী লৈনবা অনৌবা অজমা কেসনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি হায়রি।

ইন্টরনেসনেল কাউন্সিল ওন ক্লিন ট্রান্সপোর্টেসন (আই সি সি টি)না ‘হেল্থ বিনিফিদ ওফ জিরো–ইমিসন ট্রান্সপোর্ট গ্রু ২০৫০’ হায়না মিংথোন্দুনা ফোঙবা রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ইলেক্ট্রিক ভেহিকল ওইনা মীয়ান্না পাক্তক্নুনা শিজিন্নরবদি হৌজিক লৈবাক অসিদা শিজিন্নরিবা রোদ ট্রান্সপোর্টতগী থোক্লকপা পোলুসননা মীয়ামদা পীরিবা হকশেলগা মরী লৈনবা চৈথেং অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

মালেমগী ওইনা হেবি–দ্যুটি ভেহিকলশিংদগী থোক্লক্লিবা হু চেনবা মৈখু অসিনা মালেমদা থেংনরিবা পোলুসনগী চৈথেং অসিদা খরদা ওইরবসু কন্ট্রিব্যুট তৌরি।

ইন্দিয়াদা মায়োক্নরিবা পোলুসনগী চৈথেংগী অপূনবা চাদা ৪দি হেবি–দ্যুটি ভেহিকলশিংদগী থোকপা হু চেনবা মৈখু অসিনা কন্ট্রিব্যুট তৌরি।

রোদ ট্রান্সপোর্ট পোলুসননা মরম ওইরগা হৌখিবা ২০২৪দা মালেমগী ওইনা মনুং মতম চাদনা মীওই লাক্ষ ৭ রোম লৈখিদে। অদুগা পেদিয়াট্রিক অজমা ২৫০,০০০গী নৌনা কেস থেংনখি। ইনকম পীকপদগী হৌরগা ময়াই ওইরপ ইনকম লৈবা লৈবাকশিংদনা অমুক্কা হেন্না রোদ ট্রান্সপোর্ট পোলুসনগী চৈথেং মায়োক্লরি। অদুবু ইনকম ৱাংনা লাকপা শেঞ্জাও পায়বা লৈবাকশিংদা চৎলিবা তোঙান তোঙানবা পোলিসিনা মরম ওইরগা রোদ ট্রান্সপোর্ট পোলুসনদগী নংবা চৈথেং নোংমা নোংমগী মশিং হন্থরক্লি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারক্লি।

# জম্মু: দিপুটি চীফ মিনিষ্টরগী কনভোয় গাড়ীনা থোম্বদা বিহারি অমা লৈখিদ্রে

জম্মু, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি): মশাগী চহী ৫৫ শুরবা ভারত কপের কৌবা বিহারগী মীওই অমা লম্বী লাম্থোক্নবা হোৎনরিঙৈ জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী দিপুটি চীফ মিনিষ্টর সুরিন্দর চাওধরিগী কনভোয়গী মনুংচনবা ভেহিকল স্কোরপিওনা থোম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

রিপোর্ট অসিনা হায়, থৌদোক অদু জম্মুগী আউটস্কটতা লৈবা গংয়ালদা হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯:০৫ তাবা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদু দিপুটি চীফ মিনিষ্টর সুরিন্দর চৌধরিবু মহাক্কী রেসিদেন্সতা থিল্লুরবা মতুং হল্লকপগী লম্বীদা দিপুটি চীফ মিনিষ্টরগী কনভোয়দা য়াওবা ভেহিকল স্কোরপিওনা থোম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি। ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না দিপুটি চীফ মিনিষ্টরগী কনভোয় ভেহিকলনা থোম্বদগী লৈখিদ্রবা মীওই অদু বিহারগী সমষ্টিপুরদগীনি। মহাক দুকান অমদা থবক তৌদুনা লৈরকখিবা মীওই অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদা অহানবগী ওইনা ইনভেষ্টিগেসন চথবদা দিপুটি চীফ মিনিষ্টরগী কনভোয়গী শরুক অমা ওইরিবা ভিহিকল স্কোরপিও অমনা থোম্বদগী লৈখিদবনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। থৌদোক অদুদা স্কোরপিও অদুবু থৌরক্লিবা দ্রাইভর অদুনা খুদক্তা ভারত কপেরবু হোস্পিটালদা অনা লায়েংগীদমক পুখৎখি হায়বসু খঙবা ঙম্লে হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

# পি ও কেদা সহবাজ সরিফকী পার্টি খোঙফম হন্দোকখ্রে প্রেটেষ্টরশিংবু লৈবাকনিংবশিংনি হায়না শিংথাখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
পাকিস্টান-ওকুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে)দা গভর্ণমেন্ট পায়নবা থৌরাং তৌরিবা, প্রাইম মিনিষ্টর সহবাজ সরিফ অমসুং মহাক্কী মচিনমনাও নৱাজনা লুচিবা পি এম এল (এন) না লমদম অদুদা থা কয়াগী হিংশা মতুং প্রোটেষ্টরশিং অদুগা মরী লৈননা লৌবা ফিরেপতা খোঙফম হন্দোকপগুম তৌখ্রে।

পি ও কেদা প্রোটেষ্টরশিং অদুগী চাদা ৯৯ দি লৈবাকনিংবা মীওইশিংনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইজর রানা সানাওল্লাহনা থাংজ নুমিৎতা হায়খ্রে।

পোলিটিকেল পার্টি অদুগী মীহুৎশিংনা রিজন অদুদা প্রোটেষ্ট অদুবু লুচিংলক্লিবা এক্টিভিষ্টশিং অদুগী অপুনবা অমা ওইরিবা অথিংবা থমখিবা জোইন্ট অৱামি এক্সন কম্মিটি (জে এ এ সি)গী মেম্বরশিং থুনা উন্নরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙ ফাওবদা পোলিটিকেল পার্টি অদুনা প্রোটেষ্টরশিং অদুগী মথক্তা গভর্ণমেন্টকী ওপরেসন চুম্মি হায়নবা মখোয়গী মরক্তা অথিংবা থন্বা টেরোরিষ্ট গ্রুপ, টেহরিক-ই-টালিবানগী মীওইশিং য়াওই হায়খি। পি এম এল-এন গভর্ণমেন্ট অদু ৩ থোকপগী শরুক ২গী মেজোরিটিগা লোয়ননা শেম্বদা মদুনা জোইন্ট অৱামি এক্সন কম্মিটিগী মীহুৎশিংগা ফম্মিন্নরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

হৌজিক ফাওবদা মীখলগী তাঙ্কক অনিদা ইষ্টাব্লিসমেন্টনা শৌগৎপা পি এম এল-এননা ইলেক্টেদ সিট ৪৫ লৈবা পি ও কেগী এসেমব্লিদা মেজোরিটি মার্ক হেন্দুনা সিট ২৫ ফংখ্রে। ৩শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্তা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিট ৪গী মীখল পাঙথোক্কনি। কনষ্টিট্যুয়েন্সিকী মীখলদি মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে।

মহৈরোইশিং, লল্লোন ইতিক তৌবশিং, ট্রান্সপোর্টরশিং, উকিলশিং, সোসিয়েল ৱার্করশিং অমসুং শিনফম পুন্নমক্তগী মীওইশিংদগী এক্টিভিষ্টশিং য়াওরিবা জে এ সি সি রিজনেল গভর্ণমেন্ট অদুনা জুনদা অথিংবা থমখি। মখোয়গী মরুওইবা দিমান্দদি পি ও কেদা য়েৎননিঙাই ওইবা রিফ্যুজি সিট ১২দা মুখৎপনি।

তাঙ্কক ৩গী মীখল জুলাই ২৭তা হৌখিবদগী উংখৎনবশিং ৱাং খৎলকখি। ইলেক্সন অদুগী মতুংদগী নুপী-অঙাংশিং য়াওনা মীওই ৪০ হেন্না শিখ্রে হায়না জে এ সি সিনা হায়খি। মদুগী মথক্তা জুনগী অহানবা চয়োলদগী প্রোটেষ্টর ৪০০ হাৎখ্রে হায়না মখোয়না হায়খি।

ওগষ্ট ৭তা য়ু এননা শান্তি ওইবা প্রোটেষ্টতা শরুক য়াবা মীওইশিংগী মথক্তা চথবা থবক্কীদমক একাউন্টেবিলিটি মথৌ তাই হায়রদুনা পি ও কেদা ওইরিবা সেক্যুরিটিগী ফিভমগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লকখ্রবনি।



# ট্রম্পকী গাজা পিছ প্লান ইজরেলনা য়াখিদ্রে, গাজা দিল য়ানবা য়ু এসনা নেটান্যাহুদা শোয়দনমক শাফু পীথগদবনি: হামাজ ওফিসিয়েল

ৱাসিংটন, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
ইজরেলনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী গাজাগীদমক পোইন্ট ১৫গী পিছ প্লান য়াখিদ্রে অমসুং হামাজনা মপুং ফানা খূৎলাই থাদোক্ত্রিবা ফাওবা হন্দোকখিরোই হায়না ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুনা হায়খ্রে।

ইজরেলনা পোইন্ট ১৫গী দোকুমেন্ট অদু য়াদে। শেংনমক হামাজবু খূৎলাই থাদোকহন্দ্রিবা ফাওবা আই দি এফনা খোঙফম অমত্তা হন্দোক্লোই অমসুং ঐখোয়গী ফোর্সশিং অমসুং সিটিজনশিংগী মথক্তা কিহল্লিবশিং থেংনবা মখা চথগনি হায়না কেবিনেট মীফম অমদা নেটান্যাহুনা হায়খি।

হামাজনা ঙরাং মখোয়না য়ু এসনা ঙাক্লৌ পীবা প্লান অদু চথনবা থৌরাং তৌরে হায়খি অমসুং মদুগীদমক ইজরেলগী মথক্তা শাফু পীথনবা আপিল তৌখি।

লান্না মচেৎ তানা থুগাইরবা টেরিটোরি অদুদা নৌনা শেম্লিবা পেলেষ্টিনিয়ান গভর্নিং কম্মিটি অদুদা হামাজ ওপরেটিবশিংনা খূৎলাইশিং খূৎশিন্নগদবা থৌরাং অদুগী অরোইবা তাঙ্কক অদু মখোয় ইনগনি হায়না হামাজনা ট্রম্পকী বোর্দ ওফ পিছতা পাউ পীখ্রে।

থৌরাং অদু ইজরেলগী অয়াবা ফংলবা অমসুং ইজরেলনা মদু থবক্তা ওন্থোকপা হৌরবদি হামাজ অমসুং অতৈ ফেক্সনশিংনা এগ্রীমেন্ট অদু থবক্তা ওন্থোকপা অমসুং অনিশুবা তাঙ্কক অদুদা চংশিন্নবা থৌরাং তৌরে হায়না মখোয়না মেদিয়েটরশিংদা খঙহনখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা পাউগী এজেন্সি এ এফ পিদা হামাজ ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মসিগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা অতোপ্পা মুস্লিমনা মেজুরিটি ওইবা লৈবাক ৭কা লোয়ননা গাজা ষ্ট্রিপতা ইজরেলগী মিলিটরি কেম্পেন থীনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমসুং মখোয়গী থবকশিংনা কন্ফ্লীক লোইশিন্নবগী ট্রম্পকী পিছ ফ্রেমৱার্ক থুগাইনবা হোৎনরে হায়দুনা অকনবা জোইন্ট দিক্লারেসন অমা থোকখ্রে।

# রসিয়া, য়ুক্রেন নুমিদাংদা কাপ্নবদা মীওই ৭ শিখ্রে, কয়া অমা শোকখ্রে

ক্যিব, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি): রসিয়া অমসুং য়ুক্রেননা ঙরাং নুমিদাং অমগা অমগা এটেকশিং তৌনখ্রে অমসুং নাকন অনিমক্তা মীচমশিং শিখ্রে অমসুং অতৈ ময়াম অমা শোকখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

খ্বাইদগী নৌবা এটেকশিং অসিদা য়ুক্রেনগী দ্রোনশিংনা রসিয়াগী বেলগোরোদ বোর্দর রিজনদা চহী ৪শুরবা অঙাং নুপামচা অমা য়াওনা মীওই ২৪ রোম শোকহনখ্রে অমসুং মীওই ৫ শিখ্রে।

নাকল অমরোমদা য়ুক্রেনগী ২শুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি খরক্যিবতা অৱাংবা এপার্টমেন্ট ব্লোক অমদা রসিয়ান মিসাইলশিংনা এটেক চথরকখিবদা মীওই ২ শিখ্রে অমসুং ১৩ শোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী ব্লেক সিদা লৈবা ওদেসা হিথাংফমদা মিসাইলশিং অমসুং দ্রোনশিংগী এটেকতা মীওই ৮ অমসু শোকখি। রসিয়াগী নোবোরোসিয়েস্ক সিটিদা ইন্টরপ্রাইজ অনি অমসুং প্রাইভেট হোম অমগী মথক্তা য়ুক্রেন দ্রোনশিংগী মচেৎ মকায়শিং তারকখি হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা সিটি অদুগী মেয়রনা হায়খি।

রিজনেল ওথোরিটিজনা তারকখিবা মচেৎ মকায়শিং অদুদা মীওই ১ শোকখি অমসুং য়ূম অনি শোকখি লোয়ননা এপার্টমেন্ট ব্লোক অমগী থোঙনাও অমা হুমদোকখি হায়না রিজনেল ওথোরিটিজনা কোন্না হায়খি।

# চথরকপা য়াবা চাইনিজ লান দ্রোনশিংনা ঙাকথোক্নবা টাইৱাননা থৌরাং তৌরি

টাইপৈ, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
টাইৱাননা দ্রোনশিং অমসুং অতৈ অনমেন ৱিপনশিংদা চাওনা শেল থাদদুনা চথরকপা য়াবা চাইনিজ এটেক অমগীদমক থৌরাং তৌরি।

মসিগী লল্লোং অসি য়েক্নবগী ফোর্সশিং ফংনবা অমসুং এটেক তৌনবগীদমক দ্রোনশিংনা মরুওইবা খূৎলাই অমা ওইরিবা য়ুক্রেনদা থোক্লিবা লান অদুনসু ঈথিল পীরকখিবনি। মসিগী ৱাখল্লোন অসিদি টাইৱানগী অকোয়বদা 'দ্রোন হেল্লস্কেপ' অমা শেম্বনি।

থৌরাং অসিগী মরুওইবদি চাইনিজ ফোর্সশিং মফম কদায়দা লৈ হায়বদু খঙনবা, মখোয়গী চখোক চৎশিন খোঙ্গুল লিনবা অমসুং ঈথৎ অদুগী মথক্তা মখোয়গী খোঙফম চেৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়দা এটেক তৌনবা দ্রোনশিং শিজিন্নবা হায়বসিনি।

ন্যু য়োর্ক টাইমসতা টাইৱানগী লেফটনেন্ট জেনরেল হুৱান ৱেং-চিনা হায়খি, ঐখোয়গী দ্রোন অমসুং কাউন্টর-দ্রোনগী থবকশিং অসি খরা থেংলপনা হৌখ্রে অমসুং অহৌবদা ঐখোয়না থবক মখা চংশিনবগা লোয়ননা মথং মথং হোৎনগনি।

টাইৱাননা হৌজিক মিলিটরি এক্সরসাইজশিংদা লাল্লোং অদু হাপচিল্লি। ঈথৎ লৈবাক অসিগী নুমিৎ ১০নিগী হান কুৱাং মিলিটরি এক্সরসাইজশিং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হৌখ্রে। মদুদা ট্রুপশিংনা রিকন্নাইসেন্সশিংগীদমক দ্রোনশিং শিজিন্নবা তমখ্রে।

য়েক্নবা দ্রোনশিং থিবা অমসুং থুগাইবগী থবকসু লান্মীশিংদা তম্বিখ্রে। টাইৱাননা য়েক্নবগী ফোর্সশিং কদাইদা লৈ খঙবা অমসুং এটেক তৌবদা অচৌবা শক্লোন অমা লৌরিবা অহোংবা দ্রোনশিং শিজিন্নরিবা য়ুক্রেনগী 'দেবিদ-ভরসেস-গোরিয়াথ'কী পোলিসি অদু কুপ্না য়েংলি।

য়ান্না হেন্না চাওবা মিলিটরি অমা লৈবা চাইনা থেংনবদা মান্নবা পোলিসি অমা টাইৱাননা শিজিন্নবা পাল্লি। চাইনা হায়বসি টাইৱানদগী মাইল ১১২রোম লাপ্পী অমসুং মশা মরোমদোম লৈঙাকচরিবা ঈথৎ অসিবু মখোয়গী টেরিটোরিগী শরুক্নি লৌই। মখোয়না শান্তি ওইনা অমুক হন্না পূনশিন্নবা ফৈ হায়না বৈজিংনা হায়রি অদুবু মিলিটরি ফোর্স শিজিন্নরোই হায়বা ৱাফম লৈতে হায়রি।

চাইনানা জহাজশিং, এয়ারক্রাফ, মিসাইলশিং অমসুং দ্রোনশিং য়াওনা টাইৱানগী অকোয়বদা মখোয়গী মিলিটরি কেপাবিলিটিজ পাকথোক চাওথোকহল্লকখ্রে। চাইনিজ ফোর্সশিংনসু কোষ্ট গার্দ পেট্রোলশিং অমসুং মিলিটরি এক্সরসাইজশিং হেনগৎখ্রে। টাইৱানগী গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিবু অচৌবা গ্লোবেল দ্রোন মেনুফেকচরিং হব অমা ওইরকপা পাম্লি।

## CORREGENDUM
**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 329/SDC/IW(C)-I dated, 06/08/2026

1) Longjam Pradip kumar Singh S/O L. Kumar Singh of Singjamei Chingamathakhong Chongtham Leikai.
2) Longjam Jebon Singh S/O Kumar Singh of Haobam Marak Keisham Leikai.
3) Longjam Romio Singh S/O Kumar Singh of -do-
4) Longjam Bobby Meitei S/O -do- of -do-
5) Longjam Ranjana Devi W/O L Nanda Singh of -do-
6) Longjam Ranjan Singh S/O L. Kumar Singh of -do-
7) Longjam Kumar Singh F/O L. Nandakumar Singh and S/O L. Thanoubi Singh of -do-

-Petitioners

**-Versus-**

(Late) Longjam Nandakumar Singh S/O Kumar Singh of Haobam Marak Keisham Leikai. O.P. (s)

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Lamphel, the 06-08-2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Longjam Nandakumar Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 46-Naoriya Pakhanglakpa, অরিবা পাট্টা নম্বর 384 অনৌবা পট্টা নং 483 দাগ নং 281 অমসুং এরিয়া 0.085000 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner শিং মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/5441/10

## ক্রোসৱার্দ ১১১২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | C | A | R | ■ | T | A | L | E | S | ■ | A | S | A | P |
| P | O | L | E | ■ | A | R | I | S | E | ■ | D | O | L | E |
| A | M | I | D | ■ | R | E | E | S | E | ■ | O | A | T | S |
| R | E | C | E | I | P | T | ■ | ■ | P | A | R | R | O | T |
| S | T | E | E | R | ■ | H | A | S | S | L | E | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | M | O | R | A | L | E | ■ | A | S | S | E | T |
| S | E | R | E | N | E | ■ | L | E | G | S | ■ | P | A | Y |
| I | C | E | D | ■ | A | R | E | N | A | ■ | E | A | R | P |
| A | H | A | ■ | S | L | O | G | ■ | R | A | T | T | L | E |
| M | O | R | S | E | ■ | A | R | A | B | I | C | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | T | E | R | R | O | R | ■ | R | E | M | I | T |
| P | A | N | A | M | A | ■ | ■ | D | A | Y | T | O | N | A |
| U | S | E | R | ■ | M | I | S | E | R | ■ | E | R | A | S |
| L | I | S | T | ■ | P | R | O | N | E | ■ | R | A | N | K |
| P | A | T | S | ■ | S | A | N | T | A | ■ | A | L | E | S |

ꯀꯣꯔꯧ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
KOROU TUTORIAL CENTRE (KTC)
ADMISSION OPEN
2ND FOUNDATION COURSE FOR
CLASS VIII - XII (BOSEM, COHSEM AND CBSE)
Class Timings
4:30 AM - 7:00 AM
4:30 PM - 7:30 PM
AVAILABLE HOME TUTORS FOR CLASS I - XII
HURRY ! SEATS ARE LIMITED
FOR MORE DETAILS PLEASE CONTACT 9856332106
KHONGMAN OKRAM CHUTHEK IMPHAL EAST
SL/Jotin/10 to 13

# য়েমেনগী হৌথিজনা সাউদি রিফাইনরিদা এটেক তৌখ্রে

সানা, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সি):
সাউদি অরাবিয়ানা রেদ সি তোর্বানদা লৈবা ওইল ফেসিলিটিশিংগী অমদা মৈ চাকপা অমা মুখৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং হায়রিবা ফেসিলিটি অদুদা ইরাননা ঙাক্লৌ পীবা য়েমেনগী হৌথিনা এটেক তৌখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা রিবেলশিং অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

গ্রুপ অদুগী মিলিটরিগী ৱাঙাংলোই য়াহিয়া সারিনা হৌথিজনা জাজানদা দ্রোন অমনা অরামকো রিফাইনরি অদুদা মায়পাক্না টার্গেট তৌখ্রে অমসুং এটেক অদু মপা চপ চানা চুমখি হায়খি।

সাউদি আরবিয়াগী গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা ওইল ফার্মনা ওপরেট তৌবা ফেসিলিটি অদুদা এটেক তৌখিবা অদু গল্ফ মোনর্কি অদুনা অৱাং নোংচুপ থংবা য়েমেনদা দ্রোনশিং থাজিল্লকখিবা অদুগী পাউখুমনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ইন্টরনেসনেলনা রিকগনাইজ তৌবা য়েমেন গভর্ণমেন্টকী নাকন্দা চহী ১০ হেনবগী মমাঙদা সাউদি অরাবিয়ানা চংলকখিবা য়েমেনগী সিভিল ৱারদা ২০২২ ট্রুস অমা হৌখিবা থাদা কায়খি। মতম অদুদগী হৌনা হৌথিনা কোনুং সনা অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী রেদ সি প্রোভিন্সশিংগা তায়নবা মফমশিং য়াওনা য়েমেনগী পাক চাওরবা লম পায়খ্রে।

ফেব্রুৱারিদা য়ু এস অমসুং ইজরেলনা হৌরকখিবা মিদ্দল ইষ্ট ৱার লোইশিন্নবা হোৎনবদা টেহরান অমসুং ৱাসিংটনগগী মরক্তা মরুওইবা য়েৎনফম অমা ওইরকখ্রবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ অদু ইরাননা ব্লোকদে তৌখিবগা মপা চান্নবা য়েমেননসু সিপ্পিং অমসুং সাউদি ওইল ফেসিলিটিশিংদা কিহল্লকখিবনি। মসিগী মমাঙদা সাউদি আরাবিয়াগী ইনর্জি মিনিষ্ট্রিনা মৈ চাকপা অদুগী মরম পীদনা জাজান রিফাইনরিদা মৈ চাকপা অমা সিভিল রেস্পোন্স টিমশিংনা লাকশিনখ্রে হায়খি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-99/1/23(C)/ Date: August 6, 2026

Revised Notification regarding Examination Centre arrangement for the FYUP 2nd Semester Examination, 2026(MAY)(NEP)

| Sl No. | Exam Centre | Roll Range / Roll Number |
|---|---|---|
| | **Bishnupur District** | |
| 1 | C.I.College, Bishnupur | 25340001-25340300 |
| | | 25400001-25400003 |
| | | 25500001-25500005 |
| 2 | Kumbi College, Kumbi | 25300001-25300424 |
| 3 | Mangolnganbi College, Ningthoukhong | 25410001-25410375 |
| 4 | Moirang College, Moirang | 25240001-25240344 |
| 5 | Nambol Laishram Sanoi College, Nambol | 25640001-25640478 |
| 6 | Thambal Marik College, Oinam | 25040001-25040455 |
| | | 25520001-25520193 |
| 7 | S.K. Women's College, Nambol | 25340301-25340514 |
| | **Churachandpur Districts** | |
| 1 | Churachandpur College, Churachandpur | 25020001-25020307 |
| | | 25250001-25250054 |
| | **Imphal East** | |
| 1 | Biramangol College, Sawombung | 25590001-25590857 |
| 2 | Liberal College, Luwangsangbam | 25030001-25030987 |
| | | 25110018-25110139 |
| 3 | Maharaja Bodhchandra College, Palace Compound | 25330001-25330239 |
| | | 25130001-25130161 |
| | | 25390001-25390100 |
| 4 | Modern College, Porompat | 25540001-25540233 |
| | | 25210001-25210048 |
| 5 | N. Birahari College, Khundrakpam | 25420001-25420393 |
| | | 25650001-25650009 |
| 6 | Ng. Mani College, Kurai Chairenthong | 25670001-25670047 |
| | | 25720001-25720266 |
| | | 25090001-25090023 |
| 7 | Shree Shree Gourgobind Girls' College, Khurai | 25390101-25390409 |
| 8 | Standard College,Kongba | 25260001-25260846 |
| | **Imphal West** | |
| 1 | Imphal College, Kwakeithel | 25320001-25320767 |
| | | 25290001-25290367 |
| 2 | Kamakhya Pemton College, Hiyangthang | 25310001-25310611 |
| | | 25460101-25460312 |
| 3 | Manipur College, Pishumthong | 25140501-25141067 |
| 4 | Mayai Lambi College, Yumnam Huidrom | 25460001-25460100 |
| | | 25430001-25430687 |
| 5 | Nongmeikapam Gopal College, Lamphelpat | 25140001-25140500 |
| | | 25170001-25170047 |
| | | 25630001-25630039 |
| | | 25070001-25070004 |
| 6 | Pravabati College, Mayang Imphal | 25490001-25490576 |
| 7 | Regional College, Lilong | 25200001-25200587 |
| 8 | Western College, Konthoujam | 25610001-25610223 |
| | | 25150001-25150039 |
| | | 25690001-25690017 |
| 9 | Highland National College | 25550001-25550015 |
| | | 25100001-25100024 |
| | **Jiribam District** | |
| 1 | Jiribam Higher Secondary School, Jiribam | 25180001-25180109 |
| | **Kakching District** | |
| 1 | Kakching Khunou College, Kakching Khunou | 25230301-25230614 |
| 2 | Kha-Manipur College, Kakching | 25450001-25450448 |
| | | 25190001-25190200 |
| 3 | Pole Star College, Wabagai | 25230001-25230300 |
| | | 25190201-25190379 |
| | **Kangpokpi District** | |
| 1 | Damdei Christian College, Motbung | 25470101-25470405 ( 25280004) |
| | | 25220001-25220081 |
| | | 25600001-25600008 |
| 2 | Kanggui Christian College, Kangpokpi | 25470001-25470100 (25360025, 25360026) |
| 3 | Presidency College, Motbung | 25080001-25080707 |
| | **Noney District** | |
| 1 | Tengkonjang Highre Secondary School, Noney | 25160001-25160173 (25260111, 25260147) |
| | **Senapati District** | |
| 1 | ASUFII Christian Institute, Punamei, Mao | 25120001-25120267 |
| 2 | Hill College, Tadubi | 25010001-25010187 |
| 3 | Mount Everest College, Senapati | 25580001-25580086 (25260666) |
| | | 25380001-25380025 |
| | | 25370001-25370016 |
| | | 25280001-25280031 |
| 4 | St. Xavier College, Senapati | 25360001-25360155 |
| | **Tamenglong District** | |
| 1 | Tamenglong Higher Secondary School, Tamenglong | 25620001-25620143 (25260043, 25260683, 25260127, 2526048, 25330022, 25330064, 25330063) |
| | **Thoubal District** | |
| 1 | Lilong Haoreibi College, Lilong | 25660001-25661043 |
| 2 | Thoubal College, Thoubal | 25710001-25710472 |
| | | 25730001-25730451 |
| | | 25740001-25740185 |
| 4 | Y.K. College, Wangjing | 25270001-25270450 |
| 3 | Waikhom Mani Girl's College, Thoubal | 25270451-25270870 |
| 5 | Yairipok Universal College, Wangkhem | 25270871-25271090 |
| | **Urkhul District** | |
| 1 | Pettigrew College,Ukhrul | 25570001-25570151 (25260461 , 25260336 , 25260762 ) |
| | | 25530001-25530008 |
| 2 | St. Joseph College, Ukhrul | 25440001-25440221 |
| | **Chandel District** | |
| 1 | United College | 25560001-25560363 |
| 2 | South East Manipur College | 25680001-25680147 |
| | **Tengnoupal District** | |
| 1 | Moreh College | 25560151, 25560145, 25560146, 25560147, 25560152, 25560150, 25560261, 25560217 |

Sd/-
(T. Shantikumar Singh)
Controller ofr Examinatio

SL/Sus/10

